# রেপ কেসতা চেন্নবা কুকিশিং চৈরাক পীগদবনি

## (মালেমদা থাক ৱাংনা লৈরিবা মীতৈ নুপীবু লৈঙাক্না করম্না য়েংলি হায়বসি হন্দক্কী মতাং অসিদা খঙগনি, মীয়াম্না শিন্নখিবা পাৱর মীহুৎশিংনা কদায়দা শীজিন্নখ্রে)



– মুতুম শান্তি –

(শোত্থরবশিংদা কখোকচরি)

হন্দক্কী থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা থৌদোক হৌরকখিবসি মে ৩দা চুড়াচান্দপুরদা মপুরোইবা লৈবী মীতৈ নুপী অমবু গেঙ রেপ তৌখিবসিনি। ফত্তবা পূন্নমক্কী হৌরকপসি কুকি হায়বা শারা, ঙারা মফম-মরাং খঙদবা ফুরুপ অসিদগী হেক্তা ওইরম্মী। মীতৈ ঐখোয়না তৌবা অশোয়বা খজিক লৈরবদি লৈবাক শরা শল্লি। কুকি-শাগী ৱাখল চেনবা কয়ানা পাঙথোক্লম্লিবা 'মীতৈ নুপী রেপ তৌরম্বা' অসিদি সেন্টরনা তূমিন্না লৈগদ্রা? রিফ্যুজি কুকিশিংনা লৈবাক অসিদা চত্থরক্লিবা য়ানীংদবা থবক থৌরম কয়াবু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়েংদুনা অসুম লৈরিবা করিগীনো? কুকিগী কন্ত্রোল মখাদা লৈঙাক লৈরব্রা? লৈঙাক অমগী তৌফম থোকপা থবক পাঙথোকপা ঙমদবসি করিগীনো?

মীতৈ খুন্নাইগী চৎনবী মতুংইন্না নুপী-নুপা য়ূম পানমিন্নবা মতমদা য়াম্না চেকশিন্না য়ূম্বানমীন্নে। নুপাসু, নুপীসু অরানবা মমি অমত্তা তাদনা থম্মোয় শেংনা য়ূম্বানমিন্নবা মীতৈ ফুরুপনি। য়ূমগী নুপীনা মপুরোইববু তাইবঙ শেম্বা মপুমক্লি খন্না থৌগল তৌজরগা য়ূম্বানমিন্নে। ইমুংগী, শাগৈগী অহল-লমন অমদি লাইগী থৌরম পাঙথোকপদা য়ূমগী মৌ অদু কনানো করিনো হংনরিবনি। ঐখোয়গী চৎনবীগী মরুমদা পায়বা য়াবা য়াদবা অসুক্কী মতিক কুপখ্রে। মীতৈগী য়ূম্বাল্লোনদি তুরেল লৈঙোইদগীসু হেন্না কুপ্পী হায়রিবনি।

মরম অদুনা মে ৩গী নুমিদাং পুং ৬.৩০ মুক তাবা মতমদা মপুরোইবা লৈরবী য়ূমগী মৌ অমবু রেপ তৌবীবা অসি মহাক্কী পুন্সিগী অমদি ইমুং-মনুং, মচা-মশু পূন্নমক্কী অমদি শাগৈগী ওইনা মাঙজবা কয়াসি উশিনবীয়ু। মীতৈ নুপী অসিনা অসুক শাংবা মতম অসি তূমিন্না খাংদুনা লৈরম্লিবসি মথক্তা ঐনা ইজরিবা ৱাফম অসি ফোঙদোকপা ঙমখিদবা ওইরমগনি থাজে, খঙে। পূন্নমক থাদোক্লগা ইচং থৌনা থেংলবসু থেংনা লাউথোরকপা ঙম্লিবী থৌনা ফরবী মীতৈ নুপী নহাকপু ঙমখে লৈতনা থাগৎচৈ। ইমা লৈবাক্কীদমক খন্দুনা ৱাখল চাওনা হিংবীয়ু। ইপুরোইবনা লাইবক থীবা থৌদোক্লি খনবীদুনা ঙাকপীয়ু হায়নসু অইবীনা পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না নোল্লুকচরি। ঙাকপীবদগী হেনবা করিসু লৈতে। তাইবঙপানসিদা ফত্তবা মীওইশিং শেম্বীবা মপুগী চৈরাক্তগী খক নাম্থোক্তুনা চেনবা ঙল্লোই।

কুকিদগী করি ওইজ-ওইথক লৌরুরবগে? কুকিনা ফম্মু, লেপ্পু, চৎলু হায়রগা চৎপগী মমি অমা চাউনা তারিবসিবু করিগীনো? মীতৈ ঐখোয়বু ইমা লৈবাক্কী অশেংবা মচা ওইবগী শক্তম মাঙহল্লিবসি ঙসিগী মীহুৎশিংননি। অচুম্বা হায়বা ৱাফমসিদি পাঙ্গল য়াম্না কনবনি। ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা ঙসি নুমিৎ ১০০ হেল্লক্লবা লান অসিদা চৎলিবা লমচৎ অসিবু করিগীনো? নখোয়দা মীয়াম্না শিন্নখিবা পাৱর কদায়দা চৎখ্রবগে? মীচম মীয়াম্বু মীশি-মীনা থোকহল্লিবা পূন্নমক ৱাখল মপূং ফাদবা, মথৌ মশক খঙদবা মীহুৎশিংনা হাৎপনি। নখোয়দা মীয়ামগী শীন্নখিবা পাৱর অদুনা ঙসি মীয়াম্বু ৱাহল্লিবসিরা? নখোয় মীহাৎপনি, মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবনি।

লাঞ্জেল্লিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীতৈ ইচিল ইনাওশিং অমদি লান ঙাক্লিবা লাঞ্জংলোইশিংগী চান-থক্লবা পোৎলম খুদিংমক লৈঙাক্না পীরি তাবদা থাগৎচৈ। অদুবু লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা কর্ম্মচারি ওইবীবা খুদিংমক্না হৈনবী ওইখ্রবা লায়রবগী চাকথুং মৎপগী হৈনবী অদুদি থাদোক্লসি। লায়রবগী চাকখাও থদৎলগা য়ূম ৱাংনা শাগনি, মমল য়াম্বা গাড়ী তোংগনি খন্দুনা হুরানবগী থবক থৌরম থাদোকপীয়ু। হৌজিক ঐখোয় হিংলিবসি লান মনুংনি। কাউথোকপীগনু অচুম্বা, অফবা থবক তৌবনা তুংদা য়াইফবা-য়াইফবী ওইবীয়ু।

মীতৈ পূন্নমক্লা য়ূমথোঙগী চেঙফুদগী চেঙ কোৎতুনা অৱাবা তারবা কয়াদা মতেং পাংলি। ইমুং কয়াগী পুকচেল চাওরবা, চাওরবী কয়ানা য়াম্না লৈবনা য়াম্না, খজিক লৈবনা খজিক্তং ওইরবসু পুনশিল্লি। অরৈ, অরৈবা ঙমজবা থাক্তা মীতৈ খুন্নাই কন্দবা য়াদে। ইমা লৈবাক কায়বা য়ারোই হায়দুনা খোল্লাও কয়ানা তুম্বা চাবা খঙদনা চঙশিল্লি। অসুক ৱানা মীয়াম্না লৈবাক্কীদমক শিবা কিদনা য়েক্লবগা মায়োক্লরি। মীওইবনা চাদনা করম্না হিংগনি, লান করম্না শোক্লগনি হায়বসি খন্থবীয়ু। ইশম শম্না হায়রবদা চেঙ বেগ, হৱাই বেগ ১০০ পীরকপদা বেগ ৫০না য়েনবগী হান্নগী হৈনবী তৌবীদনবা নোল্লুকচরি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৪গী জুলাই ১১দা মিস থাংজম মনোরমা এলিয়জ হেম্থোই (৩২), বামোন কম্পুদা লৈবী চমজরবী লৈশাবী অমগী পুন্সিবু ১৭শুবা অসাম রাইফলসনা রেপ তৌবীদুনা য়াম্না তমথীনা হাৎতোকপীখি। মথংদা জুলাই ১৫দা কংলাগী নোংচুপ থংবা মায়কৈদা থৌনা ফরবী ইমাশিংনা লৈবাকসিদা মীওৎ মীনৈ খাঙবা ঙম্লক্তবদগী প্রোটেষ্ট তৌদুনা তান্থোকখি। থোকখিবা থৌদোক অসিনা অসাম রাইফলসকী কেস অরোইবা ওইখি। মতুংদা অমুক হন্না থোকখিদ্রে। ঐখোয়গী লমদমসিদা মমাঙঙৈদগী হৌনা চহী খরগী মতুংদা অমা নৎত্রগা অমা হেক্তা লান হৌরি। মসি পূন্নমক অসি য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয় পূম্বনা কাউথোকপা য়াদে। ঐখোয় পুনশিন্দুনা অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনা থমগদবনি। লুচিংবা অমগী মখাদা ঐখোয় খুদিংমক চপ মান্ননা চৎমিন্নগদবনি।

মমাঙঙৈ মীতৈ ঐখোয়গী চৎনবীদা অহল-লমন কয়ানা থকসি-খাসি নাইনা চৎনরম্বা লিচৎ অদু ঙসিগী মীরোলসিদদি উবা ফংখিদ্রে। মীতৈ ঐখোয়গী মহৌশাগী চৎনবী, য়ূম্বাল্লোন অয়ূক অঙনবদা ইরুজদুনা য়ূম শেংদোক্তুনা তেংবানবা মপুবু থৌগল তৌজবা কয়াবু বৃটিশশিংনা য়াম্না থাগৎলমখি। ৱাফম অসি ওগষ্ট ১৩ খুদিংগী নুংথিল পুং ১২ তাবদা লাকপা রেদিও দ্রামা মুন্না তাবীয়ু। ঐখোয় মীতৈগী য়াম্না চাওথোকচবা তাঙ্ককনি। অফবা থবক হায়বসি মতম চুপ্পদা ফদুনতা লৈরগদবনি। ঐখোয় অপীকপা ফুরুপ ওইরবসু মশান্না কয়াদা, জগোয়-ঈশৈদা, অতোপ্পা হীরম কয়াদা মালেমগী ওইনা মাঙজিল থাবা ঙম্বা মচানি।

থৌনা অসুক লৈনা হিংলিবা ইমা লৈবাক্কীদমক শিবা কিদবা মচাশিংনি হায়বসি অতোপ্পা ফুরুপশিংনা খঙগদবনি। কুকিনা মখোয়গী মপা-মপুনা থম্বীরম্বা লম লৌদ্রিবা ফাওবা লান চত্থখিগনি হায়রি। মণিপুরগী করম্বা মফমদা কুকিগী মপা-মপুগী শোতো য়াওরিবগে হায়বগী মতাংদা হংবা, খঙদোকপনা চুম্লবরা? কুকিসি মালেম শিন্থুংনা লম মুনবা, মৎপা কোয়না চৎপা জীব অমনি। মখোয়গী মশাদা ইকায়বা হায়বগী ঈ মরীক অমা য়াওদ্রবা জীব অমনি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা ঐখোয়না চেকশিনগদবদি লাঞ্জেল্লোয় ইচাশিংগী অৱাৎ-অপা লৈতনবা লৈকায় খুদিংগী পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা মতেং পাংমিন্নবনা ঐখোয় পূম্বগী ইথৌদাং ওইরসি। মখোয়না মীতৈ মীয়ামগী মহুৎশিন্দুনা য়েক্লবগা লম্বা পারিবনি।

নরেন্দ্র মোদিনা পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙলকখ্রে। অশেংবা পাউদা কোংগ্রেস হুন্দুনা ঙাঙবনা মপূং ওইখ্রে। পোলিটিকেলগী হুন্নবনা ঐখোয়গী ৱারোইশিন পুরকপা য়াগদ্রা? অসুম্না হায়রি - বিরেন লৈঙাক্না মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা অমসুং চাওখৎনবা কন্না হোৎনরি। ঐখোয় মীয়ামদা হংজনীংবা ৱাফম্না নরেন্দ্র মোদিনা নহান মখৈ নুমিৎ ১০০ অসিদা ঈং-তপ্পগী ৱাফম কয়া হায়রগা বিরেননা ফোঙদোক্তবা ওইরিব্রা? নৎত্রগনা য়াথং তাওথরক্তদুনা মচিন থীবা, ঙাইহাক্কী চোইরোল লোল্লিব্রা? অসিগুম্বা মীনম্বা ৱাহৈ খোম্থোক কয়ানা সাসন তৌরিবা লৈঙাক অসি অমুক হন্না লৈহল্লরোইসি। খারে, পেল্লে হায়বসিনা মীয়ামগী খোল্লাওনি অমুক হন্না ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবীরগনু।

ঙাকপীবা হৈবা, মীনুংশি খঙবা মীতৈ খুন্নাইগী মায়দা কালি তৈশিনবীরবা, ইচা-ইশু কয়াবু, মীহাৎ মীপূন্না মীকপ -মীরাওখোলতনা মায়কৈ খঙদনা ৱারবা মতমদা মীনম্বা ৱারীনা কুপশিনবীবা তৌগনু। মীয়ামগী খোল্লাওদি তাইবঙ মপুগী খোল্লাওনি হায়বসি কাউগনু। মণিপুরগী লানসি ময়ায়দা থল্লগা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা হুন্নদুনা লৈবা মতম নত্তে। মীশি-মীনা থোক্লিবা লান অসিবু ৱারোইশিন পুরকপীদুনা ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইবদা মতেং পাংবীয়ু। অসুক শাংলবা নুমিৎ ১০০ হেল্লবা ফাওবা কনা অমত্তনা লোইশিনবীবা ঙমদ্রবদা পোলিটিকেলগী ৱারেম ঙাঙবীগনু হায়জরি। মীচম মীয়ামগী অৱাবা খঙবীয়ু, নুংশিবীয়ু, চানবীয়ু।

রিফ্যুজি কুকিশিং মিজোরামদা চংজফম লৌদুনা, চংজফম পীবা ঙম্বা পুকচেল চাওবা জে ারামথাঙ্গাগী হোম টাউনদা পূন্না নুংশিননা হিংমিন্নরো, য়াইফবা পুন্সি ওইরুরো। ইমা লৈবাক্তদি রিফ্যুজি নখোয়গী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা লৈতে।

অৱাবা তারবা, লাঞ্জংলোইশিং অমদি ইমা মৈরা পায়বীশিংদা অইবীনা কোক নোন্না খুরুমজরি। ●

# লোইলম নিতি - ১

- দেভিদ খোমদ্রাম -

খঙদবশিংনা হায়নৈ মৈতৈসে থৌনা ফবা ফুরুপনি অদুবু অখঙবা খরনা হায়নৈ 'ওইররোইদা'। অনীসিগী মরক্তা লৈরুবা ময়ামসু অৱাবগী মশক্লি। অদুবু পূন্নমক্লদি পাল্লি অশেংবদু। 'ওইররোইদা' হায়বা ৱাহৈসিদবু 'থৌনা ফবা' কৌবা গুনদুদি অদুমক য়াওরি। হায়নীংলিবদি মথৌনা ফনা ফরবসু শীজিন্নবা হায়বদুদি য়াররোই হায়বগুম্মী নৎত্রগা অমরোমদা থৌনা অদু শুকয়াও হেক য়াওদ্রে হায়না হায়রবসু অদুমক ময়াই। অমুক্কসু নুংঙাইরিবদি 'ওইররোইদা' হায়বগী মহুত্তা 'ওইনিদা' হায়রবসু অম্মানি, মীওইবগী মথৌনাদুদি অদুমক তুমখুল তান্দুনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই থাজজে। এরিষ্টোটলনা মীওইবগী 'থৌনা' (Courage) হায়বসি অপং থৌনা/শিনি-নানি খঙদবা (Foolhardiness) গা মীকিথি (Cowardice) হায়রিবা অনীগী মরক্তা লৈবা (Mean) অমখক্লি হায়না ফোঙদোক্লি। মরক্তা লৈবা হায়বসিমক্তবু অনীমক্কী মহাউ খরা খরা য়াওবা হায়বদুনি। শেংনা হায়রবদা কিদি কিবা অদুবু মীওইবগী "Reason" না কিবা য়াদে হায়না ইশা ইথন্তা ৱারেপ অমা লৌজবদুনি। অদুগুম্বা থৌনা অদুনা চাওখ্রবা মৈত্রবাক অসি নিংথৌরোল কয়ানা মহাক্কী য়ামজদ্রবা লান্মীশিংগা লোয়ননা তমথীখ্রিবা চাওখ্রবা য়েক্লবশিংদগী ঙাক্লম্বনি হায়বদা চিংনবা অমত্তা ফাওনীংঙাই ওইদে। মহৌশাগী চৎনবীদা অকনবনা অশোনববু তুহৎপীবা হায়বসি ঐখোয়না উদুনতা লাক্লি, তুংদসু উখিগনি। অকনবদুনা অশোনবদুবু লাকশিনবদা কনানসু মদু মথৌনা লৈবগী লিচৎনি হায়নদে। অদুবু অশোনবদুনা লাকশিনবা অদু য়ারোই হায়দুনা মুক্লরকপা মতমদদি মীওইবগী মথৌনা মরিংজেল অদু ময়েক লারকই। মসিগী য়াম্না চমখ্রবা 'থৌনা' কৌবা ৱারেপ অসি খজিক্তং হেক ৱাৎলকপদা মীওইবনা করম্বা মতমদা মিনাই নাইথাংদা চনখিবগে হায়বসি খঙহৌদে। ঐখোয়গী পুৱারীদদি থৌনা মাঙখিবগীসু অমদি উৎখিবগীসু থেঞ্জাং কয়াদা উখি।

মীওইবগী পুৱারীদা নৎত্রগা মীওইবগী লোইলম পুৱারীগী ওইনদি 'থৌনা' মাঙবা/উৎপা হায়বসিগা লোইলম চনখিবা/হন্দোকপা হায়বসিগা য়াম্না নকশিন্ননা মরী অমা লৈবগুম তৌরি। Politically subdue তৌবা হায়বা অমগা অদুগা Culturally subdue তৌবা হায়বা অমগা অনীসি য়েংবা য়াই। European imperialism গী ময়াম্না খঙনরিবা শক্লোন অদুগা মনুংদা চেল্লিবা ইচেল অসিগা inter-related ওইজরগসু নুংগী ওইবা ইচেল অসিনা তোপ তোপ্পা শক্লোন অমা লৌদুনা, য়াম্না জেনরেল ওইবা ফম্পাক অমদগী মীওইবা অমখক ফাওবগী তাঙ্কক য়ৌশিল্লক্তুনা কেন্সরগুম্না শন্দোরক্লি। পোলিটিকেল ইম্পরিএলিজম নৎত্রগা লৈঙাকলোন লৌশিনবসিদি নোংমা মফম মতম চাবা অমদা, ঈশিং-নুংশিৎ ফবা মতম অমদা নাম্থোক-নানশিন তৌনরকপা য়াই। মীওইবগী পুৱারীদসু উরবা ঙাক্তনি। অদুবু নাৎ নৎত্রগা কলচরদা লোই চনখিবা মতমদদি অদুগুম্বা খুন্নাই অদুগী পুন্সিসে হীরম অমা নৎত্রগা অমদা রোমান গ্লেদিএটরগী থৌদাং তৌনরি। ৱাহংদি মমাঙদা পঞ্জখ্রিবা থৌনা লিংজেল অদু গ্লেদিএটর অমা ওইবগী থৌনাদুরা নৎত্রগা গ্লেদিএটর ওইবা তোক্লগে হায়বগী থৌনাদুরা। মসিদা অমুক লুরিবদি মশানা মশাবু গ্লেদিএটর অমনি হায়বসি খঙজদ্রি। মরম অদুনা 'ঐহাক গ্লেদিএটর ওইজররোই' হায়বসি অদুগুম্বা মীওই অদুগী ৱাখল নৎত্রগা পূক্লিংদা মরূ হুনবা ঙমদে।

অমরোমদনা পুৱারীগী তাঙ্কক অমদগী মতমগী খোঙলৈনা মরম ওইরগা অতোপ্পা নাৎ অমা ইম্পোজ তৌরকপদগী মশাগী আইদেন্টিটি নৎত্রগা মনাৎ Sabotage তৌরকখি। অদুগুম্বা মতমদুগী মীওইশিং অদুনা মখোয়না থক্লিবদু হুনি খঙলম্লবদি থক্লমদবসু য়াই। পূন্নমক ওইদুনসু কনাগুম্বা মীতোপ অমদা তাইশিন্নবদি লানগনি। মথৌনা লৈরবা মীরমদমগী Preacher অমখক্কী মতিক মগুন; মহাক্কী art of persuasion নৎত্রগা motivation দুসু অমরোমদা ইকায়খুম্নফম থোকপনি। কনা-কনাগুম্বা খরদদি ঈরুজনীংবগা থোঙ্গ্রা তেকপগা তাখিদবসু নত্তে। থকখ্রিবা হু মান্দবা হু নৎত্রগা স্লো পোইজন অদুনা শীংলি-নাওরিদা চঙখ্রগা দারৱিনগী প্রিন্সিপল অদু থোক্লকখি; হকচাংগী কয়াৎ পূন্নমক হু অদুবু টোলরেট তৌরকপদগী এদাপটেসন লাকখি। ৱাহৈগী কুম্মৈদদি হুগী মহুত্তা 'অমৃত' হায়না হায়রসু য়াবজাৎনি। অখঙ অহৈ অহল-লমন খরনদি তাকপীরি মদুদি নাৎ অসি পুমওন ওনবদি নত্তে নোমেনক্লেচরদা ওম্থোক ওনশিন থরা তৌজরসু নাৎকী নুংগী ওইবা লিক্লম ঙাক্তুনা অদুম লৈজরি। অসিগুম্বা খঙবীরিবা অহলশিং অসিদি লাইগা পাঞ্জক ওইরবা ঙাক্তনা মখোয়দি কনাগী খুবামনুংদা লৈখিদে খঙে। অদুগুম্বা মীওইশিং অদুদি মীনাৎকী ঈপাক্তা ঈনাৎপু কৈদৌনুংদা থাদোকখিবা লৈতে। মখোয়গুম্বা খরা লৈরম্বদুনা তুংগী মীরোলনা অৱদবা ইচুম খরদা ওইরসু থকচরি। মসি হায়জরিবসিগী মরমদি নাৎ অমগী নুংগী ওইবা লিক্লম অদুবু মুন্না খঙবা ঙম্বসি অতাঙবনি। অদুগুম্বা মীওই অদুগী মফমদদি নাৎ অমগী শক্লোন হোংলকপা নৎত্রগা অতোপ্পা অমনা মহুৎ শিন্নবা তৌবা হায়বসি মহাক্কী মফমদদি Child's play নি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। 'Populism' হায়বা ৱাহৈ অসিনা মথৌ তৌরক্লবদা নৎত্রগা ঐখোয়গী লোনদনা মতমগী নুংশিৎনা শিৎলক্লবদা অয়াম্বা মীওইশিংদি মদুগী চৈথেং অদুদা ইম্ম্যুন ওইবা হায়বসি ৱানা থোকখিবা ঙাক্তনি।

বৃটিশনা লৈঙাকলোন্দা লোইলম চনখিবা হায়বসি পাৱর শীজিন্নরগা পায়শিনবনি অদুগা শক্তি নৎত্রগা পৱারদুগী মমাঙদা লাং কয়াসু থাকখি। মসিদা মীয়াম লোইনা খঙহৌই; খঙদবা মীসু অদুম খঙহৌই হায়বা তাই। মমাঙদা পনখিবা 'থৌনা' নৎত্রগা 'লিংজেল' লৈবা মীওই খুজোক খরনা ঙম্বা-ঙমদবা ষ্ট্রগল অমা তৌরকই। লৈতবা কাঙবুনা য়েংদুনা অদুম লৈনখি। মতমগী খোঙচৎ হায়বদুনি, য়েংদুনা লৈরিবা কাঙবুনা নোংমা ৱাখল তারকপা মীকুপ্তা য়াওশিল্লকপদা লোইলম Paramountcy মায়থীখিবা ঙাক্তনি। লোইলম শন্দোকপা নিংথৌরেল খুদিংমক কাইনথংদা উচি মখুলদা হঞ্জিনবা ঙাক্তা ওইনা তৌই। মসিদা লোইলম হায়বসিগী য়াম্না চম্বা ৱাহন্থোক অমা পল্লবদা - extension of power - শক্তি লৈবা খূৎ অদু শাংদোরকপা হায়বদুনি। ময়াম পূন্নমক্লা খঙনরিবা তরামঙাশুবা চহী চাদগী তরাগনিপালশুবা চহী চাদা European Imperialism না অমেরিকা, ইন্দিয়া অমদি অতৈ লৈবাক মচাশিংদা শন্দোকখিবা অদুদা কোলোনাইজদ ওইরিবা লৈবাকশিংসিদা তারিবা অওনবগী মমি অদুদি অঙকপনি। হীরম খুদিংমক্তা চাকচা য়ুথক্তগী হৌরগা লৈঙাকলোন ফাওবসি য়ুরোপিয়ন ষ্টাইলদুদা চাওথোকচবা, লেমজবা পোক্লখ্রবনি। লুরিবদি য়ুরোপিয়নশিংনা পোলিটিকেল পাৱর অদু থাদোক্লগা চৎখ্রবসু লৈহৌরিবা ফুরুপ অদুগী চাদা ৮০দি ঈদা-তোংদা য়ুরোপিয়ন ওইখিরম্মী। অসিগুম্বা ফেনোমিনা অসিবু কলচরেল ইম্পরিএলিজম কৌবসু য়াই। ঐখোয়না য়েংবা য়াবদি 'লাইনীং লম্বী', 'নাৎ' অমদি 'পুন্সিরোল' অহুম অসি য়াম্না নক্লবা মরী লৈনগনি খঙে। করিগুম্বা মতমদদি অহুম অসি synonymously শীজিন্নবা য়াগনি। ফুরুপ অমনা ফুরুপ অমদা কলচরেল ইম্পরিএলিজম চত্থরে হায়বসি অহুম অসিদা য়েংলগা হেক্তা হায়বা য়াবজাৎনি। শক্তি লৈবা ফুরুপ অদুনা অশোনবা ফুরুপ অদুদা এস্পেক্ট অহুমসিদগী য়ামদ্রবদা অমদা দোমিনেট তৌশিল্লবদি কলচরেল ইম্পরিএলিজমগী প্রোটোকোল খরদি ফুলফিল্ড তৌরে হায়বা য়ারবনি। মসিগী কলচরেল ইম্পরিএলিজম অসিদা য়াওরিবা সবজেক্ট অমদি ওবজেক্ট অনীসিনা চত্থরিবা লোইলম চনবগী থৌওং অদুবু মশানা খঙজদ্রবসু থবক অদুদি অতৎ অখম লৈতনা চীংনুংগী লাইজগুম চেন্থরকপনা করম্বা মতমদা পাক চাওরবা ইচেল অমা ওইখিবগে হায়বদুসু খঙহৌবা নত্তে। ইচেল অদুনা থুমজিনখিবা মফমশিংদুদা নৌহৌননা য়েন্নীং হুলহনবা হায়বসি ওইথোক্তবা অমনি। অসিগুম্বা সিচুএসন অসি মৈত্রবাক অসিদা ময়েক লাবা অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লৈঙাক ১ লৈরি, আইন লৈরি হায়বদু থবক্লা উংপীরো

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

অদোমগী পাউচে অসিগী জুলাই ২৬কী অহানবা লমায়দা মণিপুর লৈঙাক্কী তোর্বুং বাংলা এরিয়াদা লৈবা সেরিকলচরগী চাওরবা লম অমা মঙক কল্লবা ফুরুপ অমনা মোংফমগী পার্ক ওইনবা শেংদোকখ্রে হায়বা অমা থেংনজরে। অদুগা নোংঙানবা জুলাই ২৭কী চেফোঙদনা মণিপুরগী বোর্দর টাউন মোরেদগী অশেংবা য়েলহৌমী মৈতৈশিংগী খোঙ্গুল মুৎখিগদৌরে হায়বা অমসু থেংনজরে। মমাঙদসু কুকি মিলিটেন্ট/টেররিষ্টশিংনা ইরমদম অসিগী মরু ওইবা মফমশিং হুরান লোনাদা লৌশিনবগী থবক ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা চত্থরক্লি/অশেংবা য়েলহৌমীসু নত্তবা হুরান-লোনাদা চঙশিল্লক্তুনা ইরমদম অসিগী মমল য়াম্লবা, মরাং কায়রবা নেচরেল রিসোর্সশিংবু মাঙ তাকহন্দুনা দ্রগ লল্লোনবগী অচৌবা ময়োন/সেন্টর অমা শেমগৎলকপদা নত্তনা ঐখোয়গী ইরমদম্বু মখোয়গী ওইগনি হায়দুনা লান্দারক্লি/মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা তম্পাক্কী মীতৈ ফুরুপশিং অসুক্কী মতিক ৱারে/মসিগী চৈথেং অসি অতোপ্পা ফুরুপশিংগী ইচিল ইনাওশিংদসু ফংদবা নত্তে।

ঙসিদি ঈরাং অসি থা অহুম হেঞ্জিল্লক্লে। মীয়াম খাঙবা য়াবা খাঙলে, লাউবা য়াবা লাউরে। ৱাকৎ মীফম, ৱাকৎ খোঙচৎ, অহিং য়ারেক লেপ্পা লৈত্রি। চোকথবা নাইদ্রবা ইমাশিং, ইচিল ইনাও মীয়ামনা ইরৈবাক কন্নবা হোৎনরকপদা লাঞ্জদ্রবা থৱায় কয়াসু মনুং মতম চাদনা চৎখ্রে। মতাংসিদা পঞ্জনীংলিবা ৱাফমদি পূন্নমক অসিগী থৌদাং লৌফমসিবু ঐখোয়গী লৈঙাক (ষ্টেট অমদি সেন্টর) না থোক্তবরা? মসিগী পাউখুমসু মরী লৈনবশিংনা লায়না পীরক্কনি। লৈঙাক্না তূমিন্না লৈথোক্তে, হোৎনবা য়াবা হোৎনরি, খোঙথাং কয়া লৌখৎলি, লৌখৎলগনি অসিনচিংবা অসিনি।

মতাংসিদা লাকচনীংলিবা ৱাফমদি মীয়াম্না ইমা লৈবাক্কীদমক লাউরিবা খোল্লাও, হৌরিবা ঈহৌ অসিদা অশোয়বা, অরানবা মচা-মচা খরা য়াওরবসু লাম্থেংনরিবা অসিদি অচুম্বা খোঙথাং ওইফম থোক্তবরা? হৌজিক ফোঙ-ফোঙ শারিবা মফমশিং খুদম খরদং পঞ্জরবদা চুড়াচান্দপুর, মোরে, ইম্ফাল, বিষ্ণুপুর অমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্টশিংগী লোইজি-লোয়াশিংদা নুমিৎ খুদিংগী থোক্লিবা পামদবা থৌদোকশিং অসিদা মপানগী নার্কো টেররিষ্ট অমদি মরু ওইবা আর্ম ফোর্সেস অমা মপূং ওইনা চেন্নে হায়বগী খুদম চাংদম লৈঙাক্না ময়েক শেংনা খঙলবনি। করিগীদমক মতম চানা মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎত্রিবনো হায়বসিনি ঙসি ঐখোয় মীয়াম্না ৱারৌনরিবসি। অসিগুম্বা চিরবা তাঞ্জা অসিদা মপানগী প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংনা থোক্লিবা ঈরাং অসিদা নাকল নাম্মদা তোংশিন্দুনা অরানবা পাউ মালেমগী মীয়ামদা য়ৌহন্নবা হোৎনরিবা অসি লৈঙাক্না থিংফম থোক্তবরা? ঙরাং নহান্তা মিজোরামগী সী এম জোরামথাঙ্গানা অচাকপা মৈদা ঘী হৈজিল্লকপা কনানা মতিক চানা পাউখুম পীগনি। মশামক লালহৌদুনা অসুম লৈরবদি তুংলমচৎকী পুন্সিদা অফবা ওইরক্লোই খঙবদগী মীয়াম মরক্তা তিল্লকখিবনি। মথৌ নত্তনা মথৌ শাবগী পাড়া অমতংদি তম্বীফম থোকপনি।

বোর্দর টাউন মোরেদা অহেনবা সিক্যুরিটি থাজিল্লিবা অসুম হায়না বিষ্ণুপুর, ককচীং, ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টশিংগী লোইজি লোয়া, চীংখোঙ-চীংয়াশিংগা তাইনরিবা মফমশিংদা অহেনবা ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্স থাজিন্দুনা লৈঙাক অমা লৈরি, আইন লৈরি খঙহন্দুনা মঙক কল্লবা নার্কো টেররিষ্টশিংবু তকথোকপীয়ু।

অদোমগী - থিয়াম কালজিৎ, অংথা

## ৱারোইশিন পুবিরক্তুনা য়েলহৌমীশিংদা ঈং-তপ্পা পীবিরো

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মীওইবা খুন্নাইদা শোয়দবদি ঙল্লোই, থৌদোক ৱাথোক পূন্নমকসি ৱাহৌদোক থিগৎলগা খঙনরিবা ঙাক্তনি। অরানবদু খূৎ থিন্দুনা তাকপা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি। মীওইবা খুন্নাইনা আইন্না চৈঙাক ওইরগা হিংমিন্নরিবনি। ফজখ্রবা আইনসি কনাগুম্বনা তৌনীং তৌনীংবা তৌরবদি মীয়ামদা চৈথেং পীরক্কনি। ধর্ম্মনা হায়রি ঐ ফরগা পূন্নমক ফৈ, ঐ ফৎত্রবদি পূন্নমক ফররোই। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌমী ঐখোয় পূন্নমক্কী অৱাৎপা অমা লৈবদা লৈঙাক মপুদা ৱাকৎনরিবনি। য়েলহৌমী অমগী ফংফম থোকপদা য়েলহৌমী অমনা য়েৎফম থোক্তে। মণিপুরদা থোক্লিবসি ৱাথোক্তা নত্তে, লাম্থোকসু য়াওরিবনি। লৈঙাক্না ৱায়েনবীদুনা য়েলহৌমীশিংদা ঈং-তপ্পা পীবিরো। লৈঙাক্না অথুবদা ৱায়েনবীদুনা মীচম মীয়ামদা ঈং-তপ্পা পীবিদ্রবদি মীয়ামগী পেন্দবনা হেনজিল্লক্তুনা 'সিভিল ৱার' লাকপা য়াই। মণিপুরদা য়েলহৌমী ফুরুপ অমদা মনুংদগী নৎত্রগা মপান্দগী তৌহৈদবা থবক অমা তৌরকপদা মদু য়েলহৌমী পূন্নমক্তা শীংনবনি। লৈঙাক্না ঙল্লোইদবা করি লৈরিগে, ভাইওলেন্স থোক্তুনা অসুক য়াম্না মীশি মীনা য়াওরবা ফাওবদা করম্বা তাঙ্কক ঙাইরিবগে। মফম কয়াদা, মচি-মচিদা তৌহৈদবা-তাহৈদবা অসুম হেনজিল্লক্তুনা লন-থুমদগী হেন্দোক্তুনা মীওইবা খুন্নাইদা তেমশিংনরবা ফাওবদা য়েংদুনা লৈখিসিরা।

মণিপুরগী ইশাগী হিষ্ট্রি অসি মীগী লল্লোনপোৎ ওইনা মমল হন্থরফাওবদা তূমিন্না য়েংদুনা লৈসিরা। মীতোপকা মরুপ শান্নবা, অৱা-অনা তারবা মীতোপশিংবু চংজফম পীরুবা, চেকশিলহৌদ্রগদি ঐখোয় করি ওইরক্কনি খনফম থোকই। হায়নবা লৈ, লৌ মপু য়োংনা তানবা, ঙাতাংবনা তুঙ্গোল থনবা হায়বা ৱাহৈ অসিনা ঐখোয়দা চেকশিন্না য়ূম পাল্লু হায়রম্বনি। য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা লৈফম চাফমগী ওইরগদি লৈঙাক্না শিনবীদুনা নুংশি চান্ননা লৈহনবীবা য়াই। য়েলহৌমীশিংদা কিহন খংহল্লগা য়ূম মৈ থাবা, লন-থুম মুনবা, লম মুনবা, তৌনীং-তৌনীংবা তৌরিসিবু মণিপুর মপু পান্দবরা? য়েলহৌমী মৈতৈশিংনা অৱাবা তারিবসি মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনা অমত্তা ওইনা লান হৌরক্লবদি লৈঙাক লৈ হায়রক্কদৌরিবরা? মপু পাল্লি হায়দুনা য়েলহৌমী ফুরুপ পূন্নমক্লা খাঙলি। খাঙবগী পাঙ্গল লৈরক্ত্রবা মতমদুদা লৈঙাকপু উশিত্তে হায়বীগনু। লান হায়বদো শোয়দনা হৌরক্লগনি য়েলহৌমী পূন্নমক্লা। অমুক্তংগা হায়জরি, মীয়াম্না শেমখিবা লৈঙাক্লি, লৈঙাক্কী মপুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবীয়ু। অৱাংবদগী চেন্থরক্লিবা ঈচেলসে মখুল মেনবীয়ু, মখুন্দি মেন্দনা তম্পাক্তা হিনাও/নৌরেল শাবনা কান্নরোই। লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবশিং হান্নগী মরমদা হলহনবীদুনা ঈং-তপ্পা ফংহনবীয়ু। খুঙ্গংগী মীয়াম চাগনি-থক্কনি খঙদনা লেল্লিবসি ইশাগী লৈঙাক্না ঙাকপীদুনা ঈং-তপ্পা ফংহনবীয়ু। খুঙ্গংগী লৌমী-শিন্মীশিং লৌ শুহল্লু, ইঙ্খোল কোয়হন্দুনা চিঞ্জাক পুথোকহল্লু। য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা ফুরুপ অমা লৈখা তারক্কদৌবদগী মতম চানা ৱায়েন্দুনা কলহৌদ্রগদি ঐনা মরম ওইরগা য়েলহৌমীশিংনা লৈতেং ওইবা মণিপুর মাঙহনবা তারক্কনি। হন্দক্কী ৱাথোকসি য়েলহৌমী মরক্তা ওইরগদি ঐখোয় পূন্নমক্লা অমত্তা ওইরগা লৈঙাক্কা লোয়ননা ৱারোইশিন পুরক্তুনা শান্তি ওইহনমীন্নরসি। করিগুম্বা মীতোপশিংগী মরম চাদবা ৱাথোক লাম্থোক ওইরগদি য়েলহৌমী ফুরুপ পূন্নমক্কী ওর্গনাইজেসন পূন্নমক্লা অমত্তা ওইনা পূনশিনমিন্নদুনা থেংনমিন্নরসি। য়েলহৌমী পূন্নমকপু অমুক্কা হন্না ইকায়খুম্নজরি।

অদোমগী - কোন্সম বীদ্যাচন্দ্র, ত্রোংলাওবী

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১

১) **''লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) **''খুদোল্লে''** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) **''ৱাধরিং হাইটস''** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা অদু কনানো অমদি মণিপুরীদা কনানা ত্রান্সলেসন তৌবগে?
৪) **''লাইয়েকপা/য়েকলি লাইয়েকপা কনানা/মাগী মাগী কেনভাষ্টা/ফজ ফজবা লাইয়েক/ঐসু য়েক্কে কেনভাসসিদা/নীংতম্বা ইমাগী শক্তম/শান্তিতবু পামজবা ঐনি''** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
৫) **''অশিবা হুরানবা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।

লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।